# AIR, IMPHAL
## MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
## (DATE 02-10-2023)
## (তাং ০২-১০-২০২৩, নিংথৌকাবা)

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙান্থোইনা পাউ পাজরি---**

**---অহানবদা মরুওইবা পাউ---**

১) রাজ্যপালন হায়রি-ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকখিবা অদুগী শক্তম ঙাক্তুনা থমবা অমদি হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারি শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা কাংলুপ খুদিংমকা পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ ।

২) মুখ্য মন্ত্রি শ্রী বিরেননা হায়রি-লমদম অসিগী কাংলুপশিং অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা মতম পুমমক্তা হিংমিন্ননবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দমনি।

৩) রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইদুকেসন (স্কুল)না মনিপুরদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক থা অসিগী ৫ ফাওবদা ছুতি থাদোকখ্রে।

৪) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

**অমসুং**

৫) হাংঝৌ এসিয়ান গেমসকী নুপীগী দবল টেবল টেন্নিস ইভেন্তা ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে। মেদল তেল্লিদা ভারত মরি শুবা পোজিসনদা লৈরি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**গান্ধি জয়েন্তি ঃ** জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী ১৫৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লুচিংদুনা মীয়ামা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা পাউমীশিংদা হায়- মনিপুরদা হৌজিক শান্তি রক্সাগী ফীভম তপ তপা ফগৎলক্লি। রাজ্য অসিদা চহি লিশাং শিৎনা কাংলুপ-ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকখিবা অদুগী শক্তম ঙাক্তুনা থমবা অমদি হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারি শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা কাংলুপ খুদিংমকা পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ গভর্নর--**

**সি.এম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি - মনিপুর অসি তোঙান তোঙানবা কাংলুপ ৩৫ রোমনা পুন্না খুন্দামিন্দুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকখিবা লমদম অমনি। কাংলুপশিং অসি অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা মতম পুমমক্তা হিংমিন্ননবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দম অমনি। ৱাফম অসি ঙসি রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখিবা মহাত্মা গান্ধিগী ১৫৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পালনদা শরুক য়াখিবা শ্রী বিরেনা পাউমীশিংনা হাংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা ফোংদোকখিবনি।

শ্রী বিরেননা হায়- রাজ্য অসিগী ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা হায়বা পান্দম অদু সরকার অসিনা মোইরাং খুনৌদা সঙাই ইথনিক পার্ক শেমগৎতুনা উৎলি। শ্রী বিরেননা হায়- লমদম অসিগী ফুরুপশিংনা অমগা অমগা ইকায় খুমবা উৎনদুনা নুংশি চান্ননা হিমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু আপিল তৌখি।

**---সাউন্দ সি.এম----**

মরক অসিদা, অখন্নবা স্বাচতা কেম্পেন থ্রি পোইন্ট জিরোসু ঙসিদগী হৌরে। মহাত্মা গান্ধিগী মপোক কুমওন নুমিৎকা ফংজিন্ননা পাঙথোক্লিবা কেম্পেন অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা চৎথগনি। মহাত্মা গান্ধিগী ১৫৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসি মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকখি।

**গভর্নর(এল)ঃ** জনতা দল য়ুনাইতেট মনিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি মনিপুরগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি ৱারোইশিন পুরক্তুনা অথুবা মতমদা তংদু লৈতাবা ফীভম পুরকবা হোৎনবিয়ু হায়না তকশিনখ্রে।

জনতা দল য়ুনাইতেদ মনিপুরগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন সিংহনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অদু পিশিনখি অমসুং হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা নংলবা বস দ্রাইভরশিং অমসুং ত্রক দ্রাইভরশিং রিহেবিলিতেসন পেকেজ পীবিনবা ৱাফমসু তকশিনখি। মীহুৎ কাংবু অসিনা রাজ্যপালনা ইরাং অসিনা অৱাবা নংহল্লবা ইমুংশিং শোক্লবা মহেরোইশিংগী মনাক্তা চৎতুনা য়েংশিনখিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি। রাজ্যপালনা ইরাংনা মরম ওইদুনা অৱাবা নংলবা দ্রাইভরশিংগী মতেং পাংনবা থবক পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীরকপগা লোয়নননা অৱাবা নংলবা দ্রাইভরশিং মশক খঙথোকবা হোৎনবদা সরকারদা মতেং পাংবিনবা আপিল তৌখি। হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক ৱারোইশিন পুরক্তুনা অথুবা মতমদা তংদু লৈতাবা ফীভম পুরকবা কেন্দ্র সরকারগা লেপ্পা লৈতনা পাউ ফাউনরি হায়বা ৱাফমসু মহাকা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, মনিপুর সিতিজেন ফোরমগী মীহুৎ কাংবু অমনসু ঙসি রাজ্যপালগা উন্নখ্রে। মীহুৎ কাংবু অদুনা মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা ভারতকী রাষ্ট্রপতিনা মতেং পাংবিনবা ৱাকৎ য়াওবা চেরোল অমা রাজ্যপালদা খুৎশিন্নখি। মীহুৎ কাংবু অদুনা রাজ্যপালনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা মতেং পাংবিরিবা অসিবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

সি.আর.পি.এফ নোর্থ ইষ্ট জোনগী এ.দি.জি ওইনা চার্জ লৌখ্রবা বিনোট কুমার সিংহনা ঙসি মনিপুরগী রাজ্যপালগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফীভমগী মতাংদা পাউদমখ্রে। উন্নবা অদুদা সি.আর.পি.এফকী আই.জি. অখিলেসসু শরুক য়াখি। মে ৩ দগী হৌরকখিবা মনিপুরগী ইরাং অসিদা সি.আর.পি.এফনা শান্তি রক্সাগী ফীভম নিংথিনা ঙাকশেন্দুনা থমবা লৌখৎলিবা সেক্যুরিতিগী ওইবা থবক থৌরমশিংবু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**গবর্নর-২(এল)ঃ স্বাচ ভারত দিবস** - নেসনেল ক্লিনলিনেস দেগা মরী লৈননা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা লুচিংদুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা লম-তু শেংবগী কেম্পইন অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা রাজ ভবনগী ওফিসরশিং অমদি ষ্টাফশিং, ১০৯ সি.আর.পি.এফ বত্তালিয়নগী পরসনেলশিংসু শরুক য়াখি। রাজ্যপালনা লুচিংদুনা রাজ ভবন মনুংদা লৈরিবা দারবার হোল, বঙ্কেট হোল, লৈকোলনচিংবা মফমশিংদা লম-তু শেংবগী থবক চথখি। অমরোমদা, অকাশবানি ইম্ফালগী কর্ম্মচারিশিংনা ঙসি স্বাচ ভারত দিবসকা মরী লৈননা লম-তু শেংখ্রে।

স্কুল(এল)ঃ রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইদুকেসন (স্কুল)না মনিপুরদা লৈরিবা সরকারগী, এদেদ অমদি প্রাইভেট স্কুল খুদিংমক থা অসিগী ৫ ফাওবদা ছুতি থাদোকখ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা ইদুকেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল.নন্দাকুমারনা ঙসি ওদর অমা থোকখ্রে।

--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি -

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। ককচিং থৌবাল জিলাদনা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কর্ম্মীতিনা** শিন্দুনা ১৫৪ শুবা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ অমসুং প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা লালবহাদুর সস্ত্রিগী ১১৯ শুবা মপোক নুমিৎ ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা কোংগ্রেসকী কর্ম্মীশিংনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অনি অসিগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কংগ্রেস ৱার্কীং কর্ম্মীতিগী মেম্বর ওইরিবা গাইখাংঙমনা পাউমীশিংদা হায়-জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিনা অহিংশা অমসুং অচুম্ববু খুৎলায় ওইনা শিজিন্নদুনা বৃটিশকী মখুৎতগী ভারতকী নিংখা তম্বা পুরকখি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা চাউখৎপা অমদি ইং তপ্পা মনিপুর অমা ওইহন্নবা নৌনা ৱাশক লৌমিন্নরসি । শ্রী গাইখাংঙমনা হায়-হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি মহাত্মা গান্ধিনা পামজরম্বা ৱাখল্লোন অদুগী মায়োক্তনি। মহাক্কী মপোক নুমিৎ অসিদা ঐখোয় খুদিংমকা হিংশা থাদোকবা ফীরেপ লৌমিন্নরসি।

**--সাউন্দ গাইখাংঙম--**

**ক্লিন(এল)ঃ**১৫৪ শুবা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা লোংমাই বজার ফাওদুনা চেল্লিবা ইজৈ তুরেল অমসুং অকোয়বগী মফমশিং লু-নাননা থমবা লম তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু রাজ্যগী দাইরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগ, সেভ রিভর মীসন লোংমাই নেচর ক্লব অমসং লোংমাই বজার বোর্দনা পুন্না শিনবনি।

নেসনেল ক্লিনলিনেস দেগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি ওফিসকী কমপ্লেক্সতা শিৎ-শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দি.সি জোসেপ পাউলিন কামশন য়াওনা অতৈ কর্ম্মচারিশিং অমসুং এস.দি.ও নোনেগী কর্ম্মচারিশিংনা শরুক য়াখি। লম তু শেংবগী থবক অদু দিষ্ট্রিক্ট ওফিসতগী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ফাওবা চথুখি। জিলা অসিগী সব দিভিজনেল হেদক্বাটরশিংদসু লু-নানবগী দ্রাইব চথুখি।

থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর অহন্থেম সুবাসনা লুচিংদুনা স্বাচতা ভারত দিবসকা মরী লৈননা দি.সি ওফিস কমপ্লেক্স মনুংদা লম তুং শেংবগী কেম্পেইন পাঙথোকখি। কাংপোকপী জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ট্রেসনননা শিন্দুনা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা স্বাচত ভারত দিবস থৌরম কাউন্সিল অসিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর কৃষ্ণকুমার, মনিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রকসন ৱার্করস ৱেলফ্যার বোর্দকী চিয়রপরসন কে.সারট কুমারনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা স্বাচত হি সেবাগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা অঙাংশিংগী লাইয়েকপা চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবশিং, মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা সেনিতরি ৱার্করশিংদসু মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

চান্দেল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ট্রেসনননা শিন্দুনা লম-তু শেংবগী কেম্প অমা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

**স্বাচতা (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেন রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাক শন্না চথরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা কেম্পেইন অসি মপুং ফানা চথরি। জিলা অসিগী মহৈ তমফমশিং, সরকারগী ওফিসশিং, কৈথেল অমদি তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। পাউদম অমা-

**--সাউন্দ--ইম্ফাল ৱেষ্ট--**

**খাদি(এল)ঃ** স্চতা হি সেবা কেম্পেইনগা মরী লৈননা মনিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দস্ত্রিজ বোর্দকী লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিস্তা ঙসি সিট শেংবগী থবক পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বোর্দ অসিগী চিয়রমেন এন.নিমবস,সেক্রেটরি সি.ঐচ সনাজাওবা, অতৈ বোর্দ মেম্বরশিং অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** মহৈরোই অনিবু তমথিনা মীহাৎ থিনা হাৎখিবা থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা অমসুং অচুম্বা ৱায়েল পীয়ু হায়দুনা ৱাকৎ মীফম চথবা লেপত্রি।ঙসিসু লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, লিলোং চজিংগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা স্কুল অসিগী মমাংদা ৱাকৎ মীফম চথখিবনি।

মীহাৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা নোংপোক ককচিংদসু ইবুধৌ খমলাংবা হরাওশঙ মান্দোপ্তা ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন অমসুং নোংপোক ককচিং মৈরা পায়বী লুপা শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথখি।

মহৈরোই অনি হাৎপদা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা দন্দি পীয়ু অমসুং মহৈরোই অনিগী অশিবা হকচাং ইমুং মনুংদা শিনৌ হায়বা দাবী তকশিন্দুনা ওল ফুমলৌ নুপী মরুপনা শীন্দুনা ফুমলৌ কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখি। ময়াং ইম্ফাল কোকচাইদসু ঙসি মীহাৎ অসিগী মায়েক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু কংলৈ ভোলুন্তরি ৱার্ক্করস এসোসিয়েসন, কোকচাই অমসুং সন্ধা লৈমা ৱিমেন্স এসোসিয়েসন ময়াং ইম্ফাল কোকচাইনা শিনবনি।

লৈরোংথেল অপুনবা মৈরা পায়বীনশিন্দুনা মহৈরোই অনি হাৎখিবগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম অমা ঙসি থৌবাল জিলগী লৈরোংথেল কম্ম্যুনিতি হোলদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি। তেকচম য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন অমদি তেকচম অপুনবা মৈরা পায়বীনা শিন্দুনা মহৈরোই হাৎপদা চেন্নবশিং চৈরাক পীয়ু হায়বা দাবীদা তেকচমদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোংজং চংশিনখি।

**এম.পি.পি(এল)ঃ** হৌখিবা জলাই ৬ তগী মফম খঙদনা লৈরকখিবা মহৈরোই অনিগী মীহাৎতা চেন্নবা মীওইশিং সি.বি.আইনা ফারবনিনা অশিবা হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নবিয়ু হায়না মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি)না দাবী তৌরি। দল অসিনা থোকপা চেরোল অমদা মহৈরোই অনিগী হকচাং মনিপুর পুলিস ,সি.বি.আই অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নদুনা মথৌ মঙম পাঙথোকহনবিয়ু হায়রি। লোয়ননা মীশি অসিগী মতাংদা মহৈরোইশিংনা শান্তিগী খোংচৎ চৎপদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা কা হেন্নবা থৌওং চথখিবা অসিবু দল অসিনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**দে(এল)ঃ** ইরাবট দে থৌরমগা মরী লৈননা শীংজমৈ থোংঙাম লৈকায়দা লৈবা ন্যু এজ ক্লবতা ঙসি থা অমা চুপা চথরকপা সোসিয়েল সার্ভিস কেম্প লোইশিনখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী মীওই কাংবু অমনা মহৈরোই অনিগী মীহাৎ য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ন্যু দিল্লিগী ইন্দিয়া গেটতা সাইলেন্ত প্রোতেস্ত পাঙথোকখি লোয়ননা মীহাৎপশিং অথুবা মতমদা মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়না তকশিনখি।

নহারোল লমজিং মৈরানা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায় পান্থোইবি অপুনবা মৈরা পায়বীগা খুৎশমদুনা জননেতা ইরাবটকী মপোক নুমিৎ সেপ্তেম্বর ৩০ দগী ঙসি মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চথরকপা নন রেসিদেন্সিয়েল সোসিয়েল সার্ভিস কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে।

**ওবিট(এল)ঃ** পোইরৈ লৈমারোল অপুনবা মৈরা পায়বী মনিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা লোংজম মেমচৌবিনা লৈখিদবদা মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনা শিল্লোন অপুনবা লুপ মীলালনা অমদি ডা: কৈশাম মনিবাবু মেমোরিয়েল ত্রস ইম্ফাল ইষ্টনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

লোংজম মেমচৌবিনা লৈখিদবদা ওল মনিপুর নুপী মরুপ, ইরমদম কনবা অপুনবা লুপ, এল.কে.কে.এল, লিপুল, পুইয়া, ইশাক অমসুং ওল মনিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেন(অমেস্কো)না থম্মোই শোকা অৱাবা ফোংদোক্লি।, মীতৈ সোসাইতি চুরাচান্দপুরগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা সোসাইতি অসিগী একজিক্যুতিব মেম্বরশিংনা ঙসি তেরা খোংশাংবিদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ইমা মেমচৌবিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে
।

**কেম্প(এল)ঃ** মোইরাং কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ক্বাক্তা শন্থোং, অৱাং অমদি মখা লৈকায়দা হাংবা রিলিফ কেম্পতা ঙসি সুর হোস্পিতাল খাংঙাবোক অমদি ডা: সোমেন্স ফাউন্দেসননা শিন্দুনা ১৫ রক শুবা লেমা লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা হোস্পিতাল অসিগী মায়কৈদগী মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হনবা য়ানবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংনা তকশিনখি।

**সি.বি.সি(এল)ঃ** ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাস্তিং মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন ফিল্ড ওফিস চান্দেলনা শিন্দুনা স্বাচত হি সেবা- গারিব কল্যিান, জি-২০ অমসুং ভিজিলেন্স এৱারনেসকী থৌরম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী চন্দ্রোপোতো খুলদা পাঙথোকখ্রে।

## --অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবীরি--

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্তানগী চিত্তোরগরদা লুপা কোতি লিশিং ৭ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ৪,৫০০ চংনা পায়খৎপা মহেসানা-ভাতিনদা-গুরদাসপুর গ্যাস পাইপ লাইন জাতিগী মীয়ামদা কৎথোকখি। প্রধান মন্ত্রিনা চিত্তোরগর-নিমুছ রেলৱে লাইন অমদি কোতা -চিত্তোরগর ইলেক্ট্রিফাইট রেলৱে লাইন পাকথোকপা য়াওনা রেলৱে প্রেজেক্টশিংসু শঙ্গাখি। মসিগা লোয়ননা স্বাদেশ দরসন স্কিমগী মখাদা নাতৱারাদা পায়খৎপা টুরিজম প্রোজেক্ট অমসু শঙ্গাখি। থৌরমদু ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিনা শোত্থরবা লমদমশিং চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী এসপিরেসনলে দিষ্ট্রিক্টশিং খনগৎতুনা চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। সরকার অসিনা ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম হৌদোক্তুনা ঙমখৈদা লৈরিবা খুলশিং চাউখৎননবা হোৎনরি।

**হাংঝৌ ঃ** হাংঝৌ এসিয়ান গেমসকী নুপীগী দবল টেবল টেন্নিস ইভেন্তা ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে। ভারতকী আইয়িকা মুখরজি অমসুং সুত্তিরথা মুখরজি অনিনা সেমি ফাইনেলদা মখোয়গী লম্বা নোর্থ কোরিয়াগী খুৎতা মায়থিহৌবদগী শেঞ্জেংগী তকমান ফংখিবনি।

এসিয়ান গেমসতা ভারতনা নুপীগী দবল টেবল টেন্নিসতা শেঞ্জেংগী তকমান ফংবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। হৌজিক ফাওবদা ভারতনা গেমস অসিদা সনা তকমান ১৩ য়াওনা পুন্না তকমান ৫৬ ফংদুনা মরি শুবা পোজিসনদা লৈরি।

**অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক হন্না-**

১) রাজ্যপালন হায়রি-ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকখিবা অদুগী শক্তম ঙাক্তুনা থমবা অমদি হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারি শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা কাংলুপ খুদিংমকা পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ

২) মুখ্য মন্ত্রি শ্রী বিরেননা হায়রি-লমদম অসিগী কাংলুপশিং অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা মতম পুমমক্তা হিংমিন্ননবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দমনি।

৩) রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইদুকেসন (স্কুল)না মনিপুরদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক থা অসিগী ৫ ফাওবদা ছুতি থাদোকখ্রে।

৪) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

**অমসুং**

৫) হাংঝৌ এসিয়ান গেমসকী নুপীগী দবল টেবল টেন্নিস ইভেন্তা ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে। মেদল তেল্লিদা ভারত মরি শুবা পোজিসনদা লৈরি।

**---পাউ লোইজরে---**